থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কলাকার অমদি অয়েংবগী মাইন্দ সেত

মণিপুরী থিয়েটর'না মরায় চায়থরক্লিবা, শিনীং-শিমাং তৌরক্লিবসিগী মরুওইবা মরম 'য়েংবীনবা মী (ওদিয়েন্স) ৱাৎপদইনি' হায়বসি অয়াম্বনা থাজনবা ৱাফমনি। থিয়েটরখক্কী ৱা নত্তে, পর্ফোর্মিং আর্ট হায়বসিমক্তবু অহিংবা ওদিয়েন্স'কা তৎনবা য়াদবা মরী লৈনে। য়েংবীনবা মী অমফাওবা ফমদবা ওদিটোরিয়ম অমগী ষ্টেজদা দান্সর/এক্টর/সিঙ্গর অমত্তনা মাগী পর্ফোর্মেন্স উৎলু য়ারোই। অয়েংমল পীরগা ওইরবসু, চেবাউ ফংদুনবু ওইরবসু লিভিং আর্ট অমগী পর্ফোর্মর'না অহাংবা ওদিটোরিয়ম অমদা পর্ফোর্মেন্স উৎপা থেংনখিদ্রি। অদুঙৈ, ঐনা পাখঙ ওইরিঙৈ 'ধনৱান' (মরল লৈবা) কৌবা বোল্লিৱুদ ফিল্ম অমা য়েংখিবদু নীংশিংলি। জগোয় শাবী (রীনা রোই) শকহেনবী অমদা ঙাওরবা শেঞ্জাও পায়বা (রাজেস খন্না) নুপাদুনা অখন্নবা সো অমগী টিকেৎ পূম্নমক মথন্তনা লৌরগা, চাউরবা ওদিটোরিয়মদুগী ময়ায়দা মথন্তা ফল্লগা লৈরম্বদু উবদা 'দান্সরদুনা জগোয় শাউ য়াখিদবা', মহাক্কী কলাদুগী মমল 'মানা পীদুনা লৈখ্রবনি শাদবা য়ারোই' মূক্নরকখিবা মতাংদু ঙসি ফাওবা কাউঙমদ্রি। মীনা চোন্না তীল্লবা 'পর্ফোর্মেন্স স্পেস' অদুদা উৎপা পর্ফোর্মেন্স অদুনি 'মমল লৈতবা অহিংবা কলা'। মণিপুরী জগোয় অমদি থিয়েটর আর্ট- অয়েংবশিংনা পীবা মমলদুনা হিংহল্লকখিবা নত্তে। অদুবু হিংহল্লকখিবদি অয়েংবশিংননি। মথম্মোয়না পেল্লবা, পাম্মুবা খঙদে অয়েংবা মশাদা য়াওবা শেল-থুম পূম্নমক কলাকারদুদা পীথোকপদা চিংনদে। রাজা-মহারাজা ময়াম্না কলাগী পুজারি ওইরম্লিবা, রোয়েল পেত্রোনেজগী মপান'তনা অনৌবা কলাগী ময়োল চোংফম ওইরম্লিবা- অদুগুম্বা লীক্লমদু মোদর্ন এজ অসিদা তপ্না তপ্না কায়থরকপদুনা ঙসিদি কলাগী মফম খুন্নাইসিদা লৈরক্তে। জগোয়-ঈশৈ তৌবশিং থৌরেম ৱারেম তৌবগুম্না লৌনরকই। দ্রামা-সিনেমা হায়বসি ঙাম্মোক'কুম্না লৌরকই। মীয়াম মাঙদা থাগৎলগা, মচা-মমৌ ওইরমদাই হুন্দোকখাক্কুম খনবীবা, 'দ্রামা তৌবা নুপাদবু ইচা থাজবা হৌনব্রা'- অচৌ-অশাংশিংগী মচিন্দগী থোক্লকপা... পূম্নমকসিনা মরম ওইরগনি 'কলচরেল এক্টিভিজম', তপ্না তপ্না হন্থরকখিবা, তাঙল-তাঙলবা আর্ট ফোর্মশিং (নিংথৌরেল কয়াগী হাক্তক্তা শেমগৎলম্বা) তপ্না তপ্না শিথরক্লিবা। মালেমদা তোমথিন ওইবা কলচর অমগী শেমগৎলম্বা মাঙলমচত্তা হিংলম্বা মণিপুরগী ইপা-ইপুশিংদুগী 'ঈ' ঙসিগী মীরোলগী শিংলি-নাউরিদা চেন্দরে। কলচর হায়বসি 'নেসন' অমগী 'প্রাইদ'নি- চাউথোকচনিংঙাই হায়বদু, মশাগী নেসনেলিটি মাঙখ্রবা, উতাংবী ওইখ্রবা ফুরুপ (জাতি) অসিগী লুচিংবশিংগী ৱাখলদা খন্দরে। মরম অসিননি, কলচরেল বজেৎ হায়বদু কলচর মিনিষ্টরগী মকোক্তগী মাঙখ্রিবা। ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫দগী মণিপুরী কৌবা নেসন অদু মাঙখরে। মতম অদুফাও' লৈরম্বা নেসনেল প্রাইদ- ইন্দিয়ন নেসন কৌবা ঈপাক অমদা কোঙ্গোল ওইনা তাকখরে।

উতাংবী অমনা তাংজফম ওইরিবা পাম্বীদুদগী হেন্না চাউবা, মশা মরেং ফনবা পাম্বী অমা ওইবদি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লোই। ৱাফমসিবু অমুক নীংশিংনফম থোকপরা? মণিপুরী কলচর, ইন্দিয়ন কলচরদগী শেত্তোকপা য়ারোই, অনী অসি অমত্তনি- ইন্দিয়ন স্কোলারশিংগী খোন্থোকনি। 'অনী অসি কৈদৌনুংদা অমত্তা ওইবা য়ারোই'- 'সিনা ঐখোয়গী খোন্থোকনি। চহী চাহুমগী মমাঙদগী অমত্তা ওইনবা হোৎনরকখিবা, মায় পাক্লকখিদ্রবনি। ইন্দিয়নশিংগী হিন্দু কলচর, মণিপুরগী হিন্দু কলচর- অনী অসি মান্নদে। ইন্দিয়নশিংগী কৃষ্ণদুনা অমনি, মণিপুরগী কৃষ্ণসিনা অমনি।

ৱা অসি চাউথোকখিদৌরে, মতাংসিদা তেনশিল্লগে। থম্মোয়সিনা ৱাজখিবদি মণিপুরী কলচরগী মরুওইবা মচাক ওইরিবা মচলশিং তপ্না তপ্না মাঙখিব'সিনি। মৱা চৎপীদবা লমদমসিগী এক্সপার্টশিংগী ৱা-অঙম্বা-অথৌবা, লন-থুম পৈশিনবা য়ূম-কৈ ৱাংখৎনবা শিনবা থৌশিলদুনা 'ষ্টেট-প্রাইদ'নি খনবা ময়ামসিগী কোক্তা চঙদে। হায়রুরসু কান্নরোই। অঙাওবগী চোইরোলবু অদোম্নসু করিগুম্বদা নাকোংদুদা হাপখ্রবরা? চোইরোল অসি লোল্লগুমসি। মখোয়গী থৌজাল নিরগুমসি। ঈৱায়-ইনিলগা লোয়ননা চেন্থরকপা মতমগী অকনবা ঈচেলসিবু নঙ-ঐনা থিংবা ঙম্বা হৌনদে। কলচরবু কোর্পোরেটাইজ তৌরসি। লীলা য়েংবা, জগোয় য়েংবা, ঈশৈ তাবা, আর্ট গেল্লরি চৎলিবা... মখোয় পূম্নমক পোৎ-লৈবা চৎলিবা, পোৎ লৈনবা থিরিবা কষ্টমরনি হায়বসি কাউরগুমসি। কঞ্জ্যুমরিজম হায়বসি কলাদসু লৈ খল্লসি। মখোয়না পাম্বা পীরসি। মার্কেট ইকোনোমি হায়বসিগী খ্বাইদই মরুওইবসি- কঞ্জ্যুমরশিংনা পাম্বা পোৎ মার্কেট'তা ফংহনবদু নত্তরা? মাধুরি দিক্সিত'তা ঙাওজবা 'এম এফ হুসেন'না মহাক্কী কেনভাস'তা মাধুরিগী ফোটোগ্রাফিক ইমেজ কৈদৌঙৈদা য়েকখিদে। ইন্দিরা গান্ধী, মাদর তেরেসা, সরশ্বতিগী পেইন্টিং শকওং অমদা ওন্থোকখি- অরেপ্পা মমল লৈখিদে। পিকাসোগী অয়েকপা লাই, দা ভিন্সিগী মোনালিসা- মমল লৈরি ঙসিসু।

থিয়েটর ৱার্কর, ফিল্ম মেকর অমদি শুমাং লীলা প্রোদ্যুসরশিং- মখোয়গী খ্বাইদই চাউবা অশোয়বদি- মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা অয়েংবশিংগী অপাম্বা অমদি পূক্নিংগী ফৌরোই য়েংনা চৎঙমদবা, মখোয়গী অপাম্বা অয়েংবশিংদা ইম্পোজ তৌবগী মওংসি হোংদোকপা ঙমদবা অসিনি। 'ঐখোয়দি হোংলোই নখোয় হোংই' হায়বই এট্রিচ্যুত অসি হোংদোকসি, পর্ফোর্মেন্স স্পেস শেমদোকসি, কষ্টমর্স কমফোর্ত মরুওইবনি কাউগুমসি, আর্ট দিজাইন হোংদোকসি, ঐখোয়গী মাইন্দ-সেটসু হোংদোকসি... য়েংসি মখোয় কদোমদা চৎপগে? এন্টরটেইনমেন্ট পাম্বা, নুংঙাইবা থিবা মীওইবগী লীচৎসিদা... মালেমসিনা কায়দ্রিফাও' হোংলরোইদবা মতৌনি। লাল্লব্রা?

# লিভর সিরোসিসকী মতাংদা

লৌশিং পুক্কে

## ঐখোয়না তৌবা য়াবা অমদি চেকশিনগদবশিং খঙমিন্নসি



মীওইবগী পুন্সিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরিবা লায়নাশিংগী মনুংদা লিভর সিরোসিস হায়রিবা অসিসু অমনি। লিভর সিরোসিস নাখ্রবদি মীওই অদুগী পুন্সি কনবা ঙমদবা ফীভম অমদা লাকপা য়াই। মরম অদুনা ঐখোয়না লিভর সিরোসিস নারক্তনবা য়াম্না চেকশিনগদবনি। লিভর সিরোসিস হায়রিবা লায়না মখল অসি ঐখোয়না য়াম্না তোয়না তাবা লায়না মখল অমনি। অদুবু লায়না মখল অসি মতৌ করম্না ঐখোয় মীওইবদা নাহল্লকপগে হায়বগী মতাংদদি কা হেন্না খঙজিল্লুদবা অমদি থিজিনবা ৱাৎপগী অচৌবা মমি অমদি তারি। লিভর সিরোসিস অসি য়ু য়াম্না থকপা মী খক্তনা নাবনি হায়না ঐখোয়না থাজনরি। অদুবু লায়না মখল অসি ঐখোয়দা নাহল্লক্লবা মরম কয়া লৈরি। য়ু থক্তবা মীওইশিংদসু লিভর সিরোসিস নারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা মতম পুম্বদা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। লিভর সিরোসিস হায়রিবা লিভর দিজিজ মখল অসি হান্না লৈজরম্বা মশা-মউ ফবা ঐখোয়গী লিভরদা য়াওরিবা টিস্যুশিং অদুগী মহুৎতা স্কার টিস্যু হায়না খঙনবা টিস্যু মখল অমনা মহুৎ শীন্দোরকপদগী মরুওইনা থোকই। স্কার টিস্যুনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা লিভরনা মপুং ফানা মথৌ তৌনবা হোৎনবদা অয়েৎপা পীবগা লোয়ননা মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। লিভরগী তোঙান তোঙানবা অনাবা মখল কয়া লৈ। মখোয়শিং অদু লিভর সেলশিং মপাঙ্গল শোনজিল্লকপা নৎত্রগনা সেলশিং শিরকপগা লোয়ননা ইনফ্লেমেসন থোরকপদগী ওইবা য়াই। স্কার টিস্যুনা মরম ওইরগা লিভর ফাওদুনা চেল্লিবা ঈ থিংদুনা থম্বগা লোয়ননা লিভরনা ন্যুত্রেন্স, হোর্মোন, দ্রগস অমসুং নেচরেল টোক্সিনশিং প্রোসেস তৌবদা তপথহল্লি অমদি লিভরনা পুথোকচবা প্রোটিন অমদি অতোপ্পা কয়াগী চাংসু হন্থহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা সিরোসিসনা মরম ওইরগা লিভর মপুং ফানা মথৌ তৌহন্দে হায়বনি। সিরোসিস ঙল্লিঙৈ মতমদা খঙহৌরবদি য়াম্না লায়না কন্ট্রোল তৌবা য়াই। অদুবু অথেংবা মতমদা খঙবা ওইরক্লবদি মীওইবগী পুন্সি মাঙনিংঙাই ওই।

সিরোসিস অসি মরুওইনা নুপাশিংদনা হেন্না নাগল্লি। মসি চীঞ্জাক অমদি মখোয়না চারিবা থক্লিবশিং অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। লিভর সিরোসিস অসি মরুওইনা চহী য়াম্না য়ু থক্লকপা, ভাইরেল হেপটাইটিস লৈবা, দাইবেটিস নারবা, ওবেসিটি লৈবা, দ্রগ শীজিন্নবদা য়েত্তুম পুনবা, হান্নদগী হৌনা লিভর দিজিজগী প্রোব্লেম লৈবা অমদি অরোনবা মরী থম্বদা চেকশিনহৌদ্রবদি সিরোসিস নারকপা য়াই। লিভর সিরোসিস অসি কনাগুম্বা খরনা লিভর কেন্সর ওইনা লৌনবসু য়াওই। অদুবু কেন্সর নত্তে। অদুম ওইনমক লিভর কেন্সর নারবা মীওই অমদা লিভর সিরোসিস নারকপগী চাংদি য়াম্না ৱাংই। করিগুম্বা ঐখোয়দা সিরোসিস নারক্লবদি লিভর কেন্সরগী খুদোংথিবা হেনগৎলক্কনি। হেপটাইটিস বি নৎত্রগা সী লৈবা মীওইশিংদসু লিভর কেন্সর নারকপগী চাং ৱাংই। মসিনা মরম ওইরগা সিরোসি নাহল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওই। সিরোসিস মী অমদগী মী অমদা লৌনবা লায়না নত্তে। লৌনগনবা লায়না নত্তে হায়দুনসু মসিদগী চেকশিন্দবদি য়ারোই। সিরোসিস নারকপা মতমদা অহানবগী ওইনা ঐখোয়না থেংনগদবা খুদমশিংদি চানিং-থক্লিংবা ফাওরক্তবা, মরম চাদনা হকচাং চোকথবা, কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌবা, লাইহৌ তৌবা অমদি খঙহৌদনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা অসিনি। লিভর সিরোসিস মতম শাংনা নারক্লবা মীওই অমদা উৎলকপা খুদমশিংনা ঐখোয়গী হকচাংগী শরুকশিং খজিক্তং তৌবা তৎপা অমদি ঈ থোক্কনবা, মীৎ মচু হঙ্গাম মপাল ওল্লকপা, উনসা হাক্কৎচবা, মরম চাদনা খোঙ-খুৎ চাউথোরকপা, মপান থোকপা মতমদা কমলা মচু নৎত্রগা ব্রাউন মচু ওইরকপা, কাউবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি ৱাখল মপুং ফানা খনবা ঙল্লক্তবা অসিসু সিরোসিসগী ফীভম লুশিল্লকপগী খুদমনি।

অমরোমদা, ঐখোয়না হকচাংগী লিভর ফনা থম্নবগীদমক্তা কোফি অমসুং চা থকপা য়াম্না কান্নে। চা অসি মীপুম খূদিংমক্না অয়ুক নোংঙানবদা কম্মন ওইনা থক্লরি। চা অমদি কোফিদগী হেন্দোক্তুনা নোংমদা গ্রীন টি কপ ১০গী চাংদা থক্লবদি লিভরগী ব্লদ মার্করশিং মশা-মউ ফনা লৈহনবদা মতেং পাংই হায়না জপানিজ ষ্টদি অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ময়াম্না বীটরুট হায়না খঙনরিবা মনা-মশিং অসিগী জ্যুইস শেমদুনা থকপসু লিভরগী ওইনদি য়াম্না কান্নে হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ক লিমিটেদ থৌবাল ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী মঙাশুবা ব্রাঞ্চ ওইনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়োক্নবদা নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ক লিমিটেদ থৌবাল ব্রাঞ্চ দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাশ, আই এ এসনা ঙসি রিবন কক্তুনা হাংদোকখ্রে।

সেদ্যুল্ড কম্মর্সিএল বেঙ্ক হাংদোকপগী থৌরম অদুদা দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা অথোইবা মীথুংলেন, নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ক লিমিটেদকী জোনেল হেদ চন্দন পাথকনা থৌরম মপু, বেঙ্ক অসিগী জোনেল বিজিনেস এসেট এন্দ লাইএবিলিটি মেনেজর ইম্ফাল মাইস্নাম সচিন্দ্র, থৌবাল ব্রাঞ্চকী ব্রাঞ্চ মেনেজর নিংথৌজম বিজ্ঞান লেনিননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি নৌনা নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ক লিমিটেদ থৌবাল ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা বেঙ্ক অসিগী জোনেল বিজিনেস এসেট এন্দ লাইএবিলিটি মেনেজর ইম্ফাল মাইস্নাম সচিন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা লৈরিবা অতোপ্পা বেঙ্কশিংদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং হায়বদি ফেসিলিটিশিং অদুম্মক ফংলবা বেঙ্ক অসিনা মীওই কয়াদা কান্নবা পীরি। বেঙ্ক অসিনা মীয়ামদা মখল কয়াগী লোন পীদুনা মায় পাকপা বিজিনেসমেন অমা ওইহনবদা মতেং পাংলি। অসিগুম্বা বেঙ্ক অসিগী খুদোংচাবশিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না লৌবীদুনা চাউখৎ মায়কৈদা খোঙজেল য়াঙনা চৎপা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

# বৃটিশকী মায়োক্তা লান হৌখিবী থৌনা ফরবী ইমাশিং নীংশিংগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) :

৮৩শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা কুমজা ১৯৩৯দা থোকখিবা মপান লমদা মণিপুরগী চাননবা চেঙশিং পুথোকখিবদগী ৱানহৌরবা ইরমদমসিগী অৱাৎপা কয়াবু মেনখৎনবগীদমক হৌরকখিবা ঈরাং অদুদা থৌনা লৈনা চোংথোরকখিবী ইমাশিং অদুনা শিবা কিদনা বৃটিশ ইম্পরেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা মণিপুরগী চেঙ মপান্দা পুথোকপা য়ারোই হায়ন লান হৌখিবী থৌনা ফরবী ইমাশিংবু নীংশিংজবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না নেতাজি সুভাশচন্দ্র বোস ১২৫শুবা বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন্স কম্মিটি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইবম নবকেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌনা ফরবী ইমাশিংবু নীংশিংবগী থৌরম অসি চহী অসিগী লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দা মণিপুর প্রেস ক্লব মেজোর খুল ইম্ফালদা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮৩শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম নুমীৎতা পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল খঙবীনবগীদমক ৬০০৯১৬৩২৮৮ অমদি ৬০০৯০৫২৬১৮ দগী পাউ লৌবীবা য়াগনি হায়নসু নেতাজি সুভাশচন্দ্র বোস ১২৫শুবা বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন্স কম্মিটি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১১।২০২২ ইং, ইরাই; অয়ুক্কী পুং ৯.৩৪ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ২৪ নি পানগনি, মতুংদি ২৫নি পাল্লনি।

মেষ: অঙনবদা নীংবা থুংবা ৱাৎপা, অশাওবনা মাঙজবা, ৱাখল থোক্তবা লৈ। য়েক্লবদি লাকশিনগনি, ঈকায়খুম্নবা ফংই, নক্লবনা তেংবাঙবী।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: অঙম্বনা শেন্নবা, নখা থাবনা হুন্দুনা ঙাংবা, চিন্দা পাউদানবা য়াদবা নুমিৎনি। লানবু লান্দ্রদি ওইজ-ওইথক ঙসিসু ফংগনি, শেলসু চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুদ্রদি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: লম অয়াম্বদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক, লম চৎপা, লন, নচা-ননাই, মীয়ামগা লৈনবা লমশিংদা চাওনা নীংবা থুংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নদে ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, শেল-থুম চঙগনি। চরাঙনরদি নরলদা তায়নবা, ঙক কনবনা নখা থাবনা উশিৎতবা, নরল ময়েং তাবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: লম অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। অনৌবা আশা লাক্কনি, মফম চানা নরল পুথোকপা ঙমগনি, খুরৌ থাংলম্বসু ফরনি, পল্লম্বা লন ফংবৈ নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: অচুম্বা ৱাখল অমদি অফবা লৌশিং মরাং কায়গনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ-লান্না খক খনগনু, মায় পাকপা নক্না লৈ। মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: কোক শাবদি ফরে অদুবু নোল্লুক্না চৎত্রদি নরল ফংলসু চৎকদবা লৈগনি। শেন্দোংদি চাওনা লাক্কনি, মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, য়েক্লবনা তাথিবা লৈরসু অশাওববু ফাথরদি মাঙবা য়াবদৈ কনগনি। লাই-গুরুনদি চাল্লি, পাংঙমদবা পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: হোয়া ফরদি-মীপায়গনি। খাঙবা কনবা হৈনরদি নরল মাঙলোই। খন্থরগা ঙাংবা, য়ুমগী ৱা তাবা, পোরম য়াৎলগা থৌপাঙবনা লন ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

মকর: মীতোপ্না মরুপ কায়ননবা শীনবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা, হোয়া ফবা য়াদবা নুমিৎনি। মীয়াম্নদি য়াই, থবকসু পাঙগনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীংজবা থুংগনি, য়েক্লবা মাঙখিনি, অনম তানবনা থৌ পাঙগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই, মীকোক থোংবা ঙমগনি, মরুপ্না তেংবাঙবী।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: ৱাখল থোক্কনি, অফবা থবক পাঙহৌবা য়াগনি। নথক থোংবনা চানবীগনি, থৌনা লিংজেল ফুদোকপা মতাং চাগনি। মরুপ্নদি ৱারৌবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# নোসটালগিয়া

## খাবা মাইমোম





Khaba Maimom is a downhill skateboarder and filmmaker.